# রসিয়াদা ব্লাদিমির পুটিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নাভালনি য়াওনা প্রোটেষ্টর চা কয়া ফাজিনখ্রে




মোস্কো, মার্চ ২৭ : রসিয়ন কেপিটেল মোস্কোদা নোংমাইজিং নুমিৎতা ওপোজিসনগী মশক নাইবা ফিগর অমা য়াওনা মীওই চা কয়া ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা শরুক য়াবগীদমক্তা ফাগৎখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়া অমসুং হ্যুমেন রাইট্‌স গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দেমোনষ্ট্রেটরশিংদু মোস্কোদা পাক শন্না পাঙথোকপা এন্টি-করপসন দেমোন্সেট্রেসন অমদা শরুক য়াখিবনি।

ষ্টেটনা রন তৌবা ন্যুজ আউটলেটটাসনা ফোঙদোকখি মদুদি, মোস্কো সিটিখক্তদা মীওই ৮০০০ না প্রোটেষ্টে অদুদা শরুক য়াখি। মান্নবা প্রোটেষ্টে কয়া রসিয়াগী সিটি ১০০ রোমদা থৌরাং তৌখি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকখি।

রসিয়ন হ্যুমেন রাইট্‌স গ্রুপ এভিদি-ইনফোনা ত্বীটরনা ফোঙদোকখি মদুদি, মোস্কোদা মীওই ৭০০ হেন্না ফাজিনখ্রে। ষ্টেটনা রন তৌবা ন্যুজ এজেন্সি রিয়া নোভোষ্টিনসু মীওই ৫০০ ফাজিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ফাদুনা থল্লিবশিংদুগী মনুংদা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী মশক নাইবা ক্রিটিক ওইরিবা এন্টি-করপসন কেম্পেয়নর অলেক্সি নাভালনিসু য়াওখি। হীরম অসিগী মতাংদা নাভালনি অমসুং মহাক্কী প্রেস সেক্রেটরিনসু ত্বীটরদা ফোঙদোরকখি।

‘ঐখোয়না ঙসি করপসনগী মরমদা খন্ন- নৈনরি অমসুং মসিবু কন্দেম তৌরি। ঐখোয়বু ফারিবসিবুদি ঐখোয়না থোইদোক্না কন্দেম তৌবগুম্বা নৎত্রগা নুংনাংবা অমত্তা লৈতে। ঐহাকপু দিটেন তৌরে। মসিদা অকায়বা লৈতে। পুন্সিসিদা তৌবা য়াবা ফারবসু কায়দবা থবক কয়া লৈ’ হায়না নাভালনিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। মহাক মোস্কোগী আইকোনিক পুস্কিন স্কৱারদা পাঙথোকপা দেমোন্সট্রেসনদা শরুক য়ানবগীদমক্তা মনাকনকপা সবৱে ষ্টেসন অমদগী খোঙনা চৎলিঙৈদা ফাখিবনি। দেমোন্সট্রেসনদু পাঙথোকপদা মহাক্কী ঈথিল চাউনা য়াওখি।

মহাক্কী করপসন থেংনবগী ফাউন্দেসন্না রিলিজ তৌবা রিপোর্ট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর দমিত্রি মেদভেদেভনা ফজরবা য়ুম কয়া, য়াটচ অমসুং ভাইনয়ার্দ কয়া পায়শিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা নাভালনিনা লৈবাক শিন-থুংনা করপসনগী মায়োক্তা দেমোন্সট্রেসনশিং পাঙথোক্নবা আপিল তৌখিবনি।

দেমোন্সট্রেসনশিং অদু ব্লাদিমির পুটিনগী ক্রিটিকশিংগী সেফটিগী মতাংদা খন্নদবা য়াদবগী ফীভম অমা লৈরিঙৈদা পাঙথোক্লিবনি। শগোলশেল নুমিৎতা হান্নগী রসিয়ন লোমেকর অমসুং রসিয়ন গভর্ণমেন্টকী খোঞ্জেল কনবা ক্রিটিক দেনিস ভোরোনেনকোভ য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা লৈবা লক্সরি হোটেল অমগী মপানদা কাপ্তুনা হাৎখি। সি এন এননা কন্টেক্ট তৌবদা নাভালনিনা মীহাৎতুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীখিদে।

চৈরকসিদা, রসিয়াদা দেমোন্সট্রেটর কয়া ফাগৎখিবদুবু য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপার্সন মার্ক টোনরগী ৱারোল অমনা হায়খি, ‘পিছফুল ওইনা প্রোটেষ্ট তৌজরিবশিং, হ্যুমেন রাইটসকী ওবজার্ভরশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিংবু ফাজিন্দুনা থম্বা হায়বসি মরু ওইবা দেমোক্রেটিক ভেল্যুশিংগা তায়োন্নে অমসুং অসিগুম্বা থৌওংশিং ঐখোয়না কন্দেম তৌই।’

# ষ্টেট ভোটতা জর্মন চান্সলর মর্কেলগী পার্টিনা মায় পাকখ্রে



বর্লিন, মার্চ ২৭ : জর্মনিগী ৱেষ্টর্ন সারলেন্দ ষ্টেটতা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীখল অমদা চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলগী কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিনা ইরায় লায়না মায় পাকপা ঙমখ্রে।

চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ভোট অমদা মর্কেলনা মরিরকশুবা টার্ম অমগসু পায়নবা শেম শারকখিবগা লোয়নন্না মহাক্কী পার্টিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী মীখলদুদা নিংথিনা পার্ফোম তৌখিবনি।

মীখলগী ফল অসি হৌখিবা জান্যুৱারীদা মার্টিন সল্টসবু চান্সলরগী ফমগীদমক মর্কেলগী রাইভল ওইনা নোমিনেট তৌখিবদগী পাঙথোক্লিবা ইলেক্টোরেল টেষ্টতা মহাক্কী (মর্কেলগী) সেন্টর লেফ রাইভলশিং ওইরিবা সোসল দেমোক্রেটশিংগী ওইনা নিংবা কায়নিঙাই ওইখি।

সলটসবু নোমিনেট তৌখিবদগী পোল রেটিংশিংদা ফীভম ফগৎলকপা উখিবা পার্টি অসি ফ্রেঞ্চ বোর্দরদা লৈবা মীওই মিলিয়ন অমরোগী লমদমদা নৌনা গভর্ণমেন্ট পায়জরবসু মীখলগী অহানবা টেষ্টতদি নিংবা কায়নিঙাই ওইখি।

‘থাজনিঙাই ওইদবা মতমদা মীশিংনা থাজবা য়াবা মওংদা লৈঙাক্লিবা পোলিটিকেল ফোর্সতা থাজবা থম্মী হায়না মর্কেলগী ক্রিষ্টিয়ন দেমোক্রেটিক য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি পিটর টাউররনা হায়খি। সারলেন্দগী ষ্টেট লেজিসলেচরগী মীখলদা সি দিয়ুনা ভোট চাদা ৪০.৭ ফংদুনা মায় পাকখি। সোসল দেমোক্রেটশিংনা অপুনবা ভোটকী চাদা ২৯.৬ তমক ফংখি। সারলেন্দ অসি হৌজিক মর্কেলগী বর্লিনদা লৈরিবা গভর্নিং এলাইঅন্সকা মান্ননা কঞ্জার্ভেটিভশিং অমসুং সোসল দেমোক্রেটশিংগী গ্রান্দ কোলিসন অমনা রন তৌরিবনি।

# ৱাটচঅপনা টেররিষ্টশিংদা ‘লোৎনবা অরোনবা মফম’ পীরে : য়ু কে হোম সেক্রেটরি

লন্দন, মার্চ ২৭ :

লন্দনদা হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টকী মপানদা চথুখিবা এটেক্কী মরমদা পাঙথোক্লিবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা ওথোরিটিশিংদা কোওপরেসন পীদবগীদমক্তা ৱাটচঅপপু য়েংশিনবা হৌখ্রে হায়রি।

ফেসবুকনা পায়বা কম্পেনি অসিনা ৱেষ্টমিনষ্টরগী এটেক্কর অদ্রিয়ন অজাওনা ইকোন কোন্না ৱারী শানখিবগী অকুপ্পশিং ফোঙদোকউ য়াখিদবদগী বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা খোঙথাং অসি লৌখৎলক্লিবনি। ইনভেষ্টিগেসনগী প্রোসিদিংস অদুদা মহাক্না ৱারী শানখিবগী অকুপ্পশিংদুনা মরু ওইবা লংলা-লংজিন থোকহনবদা মতেং পাংবা য়াই হায়না থাজনখি।

ৱাটচঅপকী থৌওং অসিনা ওথেরিটিশিংবু মরু ওইনা হোম সেক্রেটরি এম্বর রুদপু খোয়রাং খোয়শাওহনখিবগা লোয়নন্না মহাক্না ইন্টরনেট কম্পেনিশিংদা টেররিষ্টশিংগী অরোনবা লোৎফম পীবা লেপহন্নবগী থবক পায়খৎনবা শেম শারে হায়খি।

ৱাটচঅপকী মেসেজশিং হৌবদগী লোইবা ফাওবা এনক্রিপট তৌবনা থারিবা অমসুং ফংলিবা মীশিংদনা মখোয়বু উবা ঙম্মী অমসুং কম্পেনি অসিনা ফাওবা মেসেজশিং অদুবু দিক্রিপট তৌবা ঙমদে।


রুদনা মসি য়ানিংঙাই ওইদে হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়নন্না হৌজিক্তি কম্পেনিনসু মখোয়গী রেস্পোন্সিবিলিটি খঙজবগী মতম ওইরে, তঙাই ফদ্রবদি অসিগুম্বা মেসেজশিং পাবা ঙম্নবগী লম্বী অমা পীগদবনি হায়খি।

এটেক অদু পাঙথোক্কদবা মিনিট অহুমখক্কী মমাঙদা অজাওনা ৱাটচঅপ মেসেজ অমা থাখি অমসুং মসিগী মেসেজ অসি মখোয়গী ইনভেষ্টিগেসনদা য়াম্না মরু ওইগনি হায়না বৃটিশ ওথোরিটিশিংনা থাজে।

# হেল্‌ঠক্যের বিল মায়থীবদগী টোপ রিপব্লিকান রিজাইন তৌখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ২৭ :

ওবামাক্যেরগী মহুৎ শিন্নবা পুথোকপা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী হেল্‌ঠক্যের প্লানগী মায়োক্তা লৈখিবগা মরী লৈননা টেক্সাসকী টোপ রিপব্লিকান অমা কঞ্জাভের্টিভ হাউস ফ্রীদম কোক্কসতগী রিজাইন তৌখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



‘ঐখোয়না চহী নিপান চুপ্পা ৱাশকখিবা কঞ্জার্ভেটিভ এজেন্দা মায় পাকহন্নবগীদমক্তা অমেরিকাগী মীয়ামদা লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা চঙশিন্নবগী সোল্যুসনশিং পুথোকমিন্ননবা আপিল তৌদুনা লাকখি’ হায়না সি এন এননা রিপ্রজেন্টেটিভ পোগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

‘য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙাঙবদি লাই, করিগুম্বা অমবু লুচিংনবা হোৎনবদি ৱাই তৌইগুম্বসুং ঐখোয় অসুম্না লুচিংনবগীদমক্তা মীয়াম্না থাগৎলকখিবনি। কোক্কস অসি থাদোকপনা ঐহাকপু কোংগ্রেসকী হেন্না ইফেক্টিভ ওইবা মেম্বর ওইহনগনি অমসুং টেক্সাসকী মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা ঙমহল্লগনি’ হায়না পোনা ফোঙদোকখি।

পো অসি ভিক্টিমশিংগী হকশিংগীদমক্তা থেংনবদা মমিং তানবা ঙমখিবা হাউষ্টন এরিয়াগী হান্নগী জজ অমনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্দিয়ন টেক্সি দ্রাইভর অমা ফু-চৈখ্রে

হোবার্ট, মার্চ ২৭ : কাঙলুপ নাইবগী মিৎয়েংগা লোয়নন্না চথুবা এটেক অমনি হায়না চিংনবা য়াবা থৌদোক অমদা নোংমাইজিং নুমিৎতা হোবার্টতা মশা ইনখৎলক্লিবা মীওই গ্রুপ অমনা ইন্দিয়াগী কেরলা ষ্টেটতগী হৌরকখিবা ইন্দিয়ন টেক্সি দ্রাইভর অমা ফুবগা লোয়নন্না ঈকায়নিঙাই ওইবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং শিজিন্নদুনা চৈখ্রে হায়রি।

কেরলাগী কোটায়ামদগী হৌরকখিবা লি মেক্স কৌবা দ্রাইভর অদু মমায় অমসুং মথবাক্তা শাথিবা মওংগী অশোকপা মফমশিংগা লোয়নন্না হোস্পিটালদা পুখৎখি হায়রি।

লিগী মতুং ইন্না, মহাক্না লন্বীগী নাকলদা মহাক্কী কার খাল্লিঙৈদা মেকদোনাল্ডসকী ইমপ্লোয়ী অমগা মরৈ কন্না য়েৎনরম্ব নহা অহুম্না মঙোন্দা মিৎয়েং থল্লকপা উখি।

‘মখোয় অহুমগী মনুংদগী চাউ-শাংলবা অমুবা টি-সার্ট লিৎপা নুপামচা অমনা কাঙলুপ নাইবা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শিজিন্নদুনা ঐঙোন্দা লাউরকখি অমসুং ঐঙোন্দা খুৎ থাখি। তশেংনমক ঐহাক পুংঙক ঙকখি অমসুং থম্মোয় শোকখি। য়াম্না থুনা অতৈ অনীসু য়াওশিন্দুনা ঐঙোন্দা ফুখি। মফমদুদগী চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয়না ঐহাক্কী ঈ থোক্লবা অশোকপা মফমশিংদা ঈশিং হৈজিনখি হায়না লিনা মালায়ালাম ন্যুজ চেন্নেল অমদা ফোঙদোকখি।

লিনা হোবার্টতা থবক তৌবদা অসিগুম্বা অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অমা নংবসি মসিনা অহানবনি হায়রি।

‘মখোয়না ঐঙোন্দা খুৎ থাবা মতমদা খ্বাইদগী কাঙলুপ নাইবা মওংগী ৱাহৈ-ৱাতাশিং শিজিন্নদুনসু চৈথাংখি। ঐঙোন্দা এটেক তৌবদুদা কনামত্তনা খামদোকপা নৎত্রগা থিংবনচিংবা তৌখিদে’ হায়না লিনা নুংঙাইতনা ফোঙদোকখি।

# মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থিংনবা য়ু এননা ৱারী শানবা হৌরগনি

য়ুনাইটেদ নেসন্স, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, মার্চ ২৭ :

মালেমগী মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র পৱার কয়ানা য়ানিংদ্রবসু লৈবাক ১০০ হেনবনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং বেন তৌনবা য়ু এনগী ওইবা অহানবা ৱারী শানবা পাঙথোক্লবা শেম শাখ্রে।

হৌখিবা ওক্টোবরদা য়ু এনগী মেম্বর ১২৩ না লোনা শৌগৎপা ন্যুক্লিয়র বেন ত্রিটি অমা নিগোসিয়েট তৌনবা য়ু এনগী কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

অমরোমদা, হান্ননা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা অমসুং অসুম্না লাউথোক্তবা লৈবাক অয়াম্বনা ৱারী শানবদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ু এনগী হেদক্কার্টরসতা লোঞ্চ তৌগদৌরিবা ইনিসিয়েটিভ অদুবু মকোক চিংলিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ওষ্ট্রিয়া, আইরলেন্দ, মেক্সিকো, ব্রাজিল, সাউথ অফ্রিকা অমসুং স্বিদেন য়াওরি।

এন জি ও চা কয়ানসু ইনিসিয়েটিভ অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে। নোর্থ কোরিয়াগা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা মুক্নবা অমসুং ফোরন পোলিসীগী মতাংদা অনৌবা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনদা করি তৌরক্কদগে হায়বা ঙমদবগী ফীভম লৈবসিনা ন্যুক্লিয়র লাল অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা হেনগৎহল্লে হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

বৃটেন, ফ্রান্স, ইজরেল, রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কনফরেন্স পাঙথোকপগী মায়োক্তা লৈখি। চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানদি ভোট পীবা য়াওখিদে। এটোমিক এটেকশিংগী চৈথেং নংখ্রবা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক জপান ফাওবা ৱারী শানবদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা টোকিয়োনা ফোঙদোকখিবা অমদা নিগোসিয়েসন পাঙ-থোকপগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা ৱাৎপনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থাদোকহন্নবগী থবক খুমাঙ চাউশিনহনবা ঙম্লোই হায়খি।

# জপানগী স্কি রিজোর্টতা উন মপৈনা ফুমজিনবদগী স্কুল মহৈরোয় ৮ শিখ্রে, ৩০ হেন্না শোকখ্রে

টোকিয়ো, মার্চ ২৭ :

নিংথৌকাবা নুমিৎতা জপানগী উন্না কুপ্পবা চীংজাউ অমগী স্কি রিজোর্ট অমদা নিঙ্খায়রকখিবা উন মপৈ অমনা ফুমজিনবদগী হায় স্কুলগী মহৈরোয় নিপান শিখ্রে অমসুং মীওই ৩০ হেন্না শোকখ্রে।

টোচিগি প্রিফেকচরগী মনুং চনবা স্কিগী অঙম্বা শরুকশিংদা উন মপৈদু চেন্থরকখ্রবা মতুংদা পাঙথোকপা অচৌবা মী কনবা অমসুং থিবগী থবক অমদা ক্রুপ ১০০ হেন্না দিপ্লোইদ তৌখি। টেলিভিজন ফুটেজনা রেস্ক্যুঅরশিংনা চীং কাদুনা মী কনবগী শক্তমশিং উৎখি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা টোকিয়োগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্না লৈবা টোচিগি প্রিফেকচরগী মাউন্ট নাসুগী নাসু ওনসেন ফেমিলি স্কি এরিয়া হায়না খঙনবা অপীকপা স্কিগী স্লোপ অদু য়ৌনবা হোৎনবদুদা অহানবদা ৱেদরগী ফীভম ফত্তবদগী খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিদে।

কিয়োদো ন্যুজগী মতুং ইন্না মীওই ৩০ হেন্না উন মপৈনা চেন্থখিবদা অশোক-অপন নংখি। পুন্না মহৈরোয় অমসুং ওজা ৩২ উন্না কুপ্পবা চীংগী অঙম্বা শরুক্তুদগী অশোয়-অঙাম য়াওদনা মখাদা কুন্নকখি হায়না ফায়র দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখি।

হায় স্কুল তরেৎকী মহৈরোয় ৫২ অমসুং ওজা ১১ গী গ্রুপ অমনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা চীং কাবগী খোঙচৎ অমা চথুরিঙৈদা শাথিরবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এরিয়া অদুদা নোংমাইজিংদগী নিংথৌকাবা ফাওবা উন থানা তাবা য়াবগী ফীভম লৈবগা লোয়নন্না উন মপৈশিং কিন্থরকপা য়াবগী ফীভম লৈ হায়না ৱার্নিং তৌবা লৈখি। লোকেল ৱেদর এজেন্সিগী ফোরকাষ্ট অদুদা সেন্টিমিটর ৩০ (ইঞ্চি ১২ রোম) থানা উন তাগনি হায়খি হায়রি।

অয়াম্বনা টোচিগিদা লৈবা ওতাৱারা হায় স্কুলদগী ওইবা য়ামদ্রবদা মহৈরোয় ৮ মশাদা হিংবগী মরু ওইবা খুদম অমত্তা য়াওদনা লৈরমখি হায়না প্রিফেকচর অদুগী দিজাষ্টর টাস্ক ফোর্সকী ওফিসল অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

জপানদা অসিগুম্বা ফীভমদা মী শিবসি দোক্টরশিংনা কনফার্ম তৌদ্রিফাওবা লাউথোক্তে হায়রি। গভর্ণরনা হায়জবদগী রেস্ক্যুগী ওপরেসনশিংদুগীদমক্তা লান্মীশিং শিজিন্নখিবনি হায়না টোচিগিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

মসি চহী খুদিংগী ওইবা ইভেন্ট অমনি অমসুং মমাঙদা ঐখোয়না অসিগুম্বা অচৌবা এক্সিদেন্ট অমত্তা থেংনখিদে হায়না ওজাশিংদুগী মরক্তংগী অমনা জিজি প্রেস্তা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা স্কি রিজোর্ট অদু সিজন অসিগী ওইনা থিংজিনখ্রে, লিফটসু লেপহনখ্রে লোয়নন্না মফমদুদা হৌজিক স্কিঅর অমত্তা লৈহন্দ্রে হায়না ওপরেটরগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।






# য়ু এ ঈদা পাকিষ্টানি ইমুংনা মীহাৎপা ইন্দিয়নশিং ঙাকপীখ্রে

অবু ধাবি, মার্চ ২৭ :

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা অবু ধাবিদা ইন্দিয়ন তরানা হাৎখিবা পাকিষ্টানি নুপা অমগী ইমুংনা শিবগী চৈরাক মায়োক্নরিবা কনভিক্টশিংদু ঙাকপীখ্রে হায়রি।

ভিক্টিম মোহম্মদ ফরহানগী অপোকপদুনা অল এইন অপিলস কোর্টতা থোক্লকখি অমসুং ইন্দিয়নশিংদুবু ঙাকপীনবগী লেট্টর ওফ কনসেন্ট অমা সবমিট তৌখি হায়না ইন্দিয়ন এম্বেসিগী ওফিসল অমনা গল্ফ ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

মী হাৎপগী মরাল শীরবশিংদুগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্দিয়ন চেরিটি অমনা কোর্টতুদা ব্লদ মণি ওইনা শেনফম অমা ওইনা দিপোজিট তৌখি অমসুং কেস অদু এপ্রিল ১২ দা মখা তাবা হিয়ারিং চত্থনবা য়ৈথোকখি হায়না দিনেস কুমার কৌবা অবু ধাবিদা লৈবা এম্বেসিগী ওফিসল অমনা হায়খি।

‘কোর্টনা শিবগী চৈরাক্তুদগী খরা হন্থবা অমা ওইনা পীরকপা য়াই’ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পঞ্জাবতগী হৌখিবা ইন্দিয়ন নুপাশিং অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা থোকখিবা খৎনবা অমদা (পাকিষ্টান নুপা) ফারহান হাৎখিবগীদমক্তা মমাঙ চহী ২০১৬ কী ওক্টোবরদা কনভিক্ট তৌখিবনি হায়রি।

## EMPLOYMENT NEWS

**Directorate General of Civil Aviation – DGCA Recruitment – 24 Flight Operations Inspector, Senior Flight Operations Inspector & Deputy Chief Flight Operations Inspector Vacancy – Last Date 11 April 2017**

**DGCA Recruitment 2017**

Directorate General of Civil Aviation invites Application for the post of 24 Flight Operations Inspector, Senior Flight Operations Inspector & Deputy Chief Flight Operations Inspector. Apply before 11 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Job Details :**

Post Name : Flight Operations Inspector (Aeroplane// Helicopter)
No of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 374250/- (Per month)
Post Name : Senior Flight Operations Inspector (Aeroplane)
No of Vacancy : 08 Posts
Pay Scale : Rs. 562430/- (Per month)
Post Name : Deputy Chief Flight Operations Inspector (Aeroplane)
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 599330/- (Per month)

**Eligibility Criteria for DGCA Recruitment :**
Educational Qualification :
For Flight Operations Inspector (Aeroplane) : Airline Transport Pilot's License issued by DGCA India with current Pilot-in-Command rating on civil air transport aircraft. Total experience of not less than 5000 hours and not less than 2000 hours as Pilot-in-Command on civil air transport Aircraft. Accident free record for last 5 years.
For Senior Flight Operations Inspector (Aeroplane) : Airline Transport Pilot's License issued by DGCA India with current Pilot-in-Command rating on civil air transport aircraft. Total experience of not less than 6000 hours and not less than 5000 hours as Pilot-in-Command on civil air transport aircraft. Accident free record for last 5 years.
For Deputy Chief Flight Operations Inspector (Aeroplane) : Airline Transport Pilot's License issued by DGCA India with current Pilot-in-Command rating on civil air transport aircraft. Total experience of not less than 6500 hours and not less than 5000 hours as Pilot-in-Command on civil air transport aircraft. Accident free record for last 5 years.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum Age limit is For Flight Operations Inspector 40 Years, For Senior Flight Operations Inspector 50 Years & For Deputy Chief Flight Operations Inspector 55 Years

**Job Location : New Delhi**

**How to Apply DGCA Vacancy :** Interested Candidates may apply in Prescribed application Form along with No Objection Certificate from Present Employer send to the Recruitment Cell, B-Block, Room No. B-12 on or before 11.04.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date of Submission of Application : 11.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.dgca.nic.in/vacancies/Vacancy%20Circular%20(FOI)_March%202017.pdf

**Agricultural Scientists Recruitment Board – ASRB Recruitment – ARS- 2016 (Preliminary) and NET (I)-2017 Examination (180 Vacancies) – Last Date 15 April 2017**

**ASRB Recruitment 2017**

Agricultural Scientists Recruitment Board (ASRB) invites application for combined ARS- 2016 (Preliminary) and NET (I)-2017 Examination in 180 Vacancies for Scientists & Lecturers/Assistant Professors. Apply Online before 15 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : 1(9)/2016-Exam.II

**ASRB Job Details :**

Post Name : ARS- 2016 (Preliminary) and NET (I)-2017
No of Vacancy : 180 Posts

**Eligibility Criteria for ASRB Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate must possess a Master's degree or equivalent in the concerned Discipline and specialization completed on or before 08.07.2017 from any Indian University.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 21 to 32 years for ARS- 2016 & attained 21 years for NET (I)-2017 as on 01.01.2017

**Job Location : New Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Preliminary and Mains Examination and viva-voce.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.500/- for ARS- 2016 and for NET (I)-2017 Rs 1000/- for Unreserved (UR), Rs.500/- for Other Backward Class (OBC) & Rs.250/- for Scheduled Caste (SC)/ Scheduled Tribe (ST)/ Divyang / Women through Debit Card/Credit Card/Net Banking OR Challan.

**How to Apply ASRB Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://www.asrb.org.in form 22.03.2017 to 15.04.2017 till 1700 Hrs thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 22.03.2017
Last Date For Submission Of Online Application : 15.04.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.asrb.org.in/images/asrb/pdfs/2017/NET-I-2017-03-22.pdf
**Apply Online :** https://www.asrbexamonline.com/asrbnet2017reg/Default.aspx